# শক্লোন য়াম্বী নুপী

## লৈশাবী ওইরিঙৈদনা অমা, মৌ ওইরক্লগনা অমা

— মুতুম শান্তি —

পাখং লৈশাবী ওইনা নুংশিনদুনা চেনখ্রে। মমা মপানা ইচাশিং নুংশিজবনিনা চাউনা লুহোংবীরে। লৈশাবী ওইরম্বদগী লুহোংবা নুমিৎতা কৈন্যা ওইরে। মৌগী শীংদা চল্লে। মৌ হেক ওইবদগী মঙানি চাক্লৌবদগী ৱাখল ফত্ত-ফত্ত খনবা হৌরক্লে। নুপাগী ইমুংদুদা লৈরম্বা জীব পানবা অমত্তা নুংশিবা ঙমদে। মৌশিংনা নুংশিরিবসি মহাক্কী মপুরোইবদু খক্তনি। নুপা অদু মপামগী মীওইশিংগা তিন্ননবা হোৎনরক্কনি। নুপা অসিগী ময়ূমগী মীশিংগা তিন্নবা মৌশিংনা পামদে। নুপাসি পুদুনা মপামদা য়াম্না তোয়না চৎপা হৌরক্লনি। মৌনা মাগী নুপাদা তোঙান চান্নবা হায়বা হৌরক্লনি। মনেম মকুগী সেবা তৌবদা মৌ অদু ইশৌ লাংগনি। মহাক্না তৌরিবা দ্রামা খুদিংমক নুপাসিনা য়াবসি উরক্লগনি। য়ারনি হায়দুনা ইমুং অসি খাবৈ খারা শাবা মখৈ নৈখাইরক্লি। অসিগুম্বা মীওইবগী ৱাখল খন্দবা মৌ মখল য়ামখৎলকই। মৌ অমনা ইমুংদু লৈখা তানা মাঙহল্লি। তুংগী ৱাখল খনবা ধর্ম্ম লৈবী মৌনা ইমুং অমবু থাক ৱাংনা থাঙ্গৎলি। অফবতা ওইহল্লি। মীওইবা হায়বসিদা অফবা ৱাখল খনবা অশিংবা মৌনা অফবা খক্তা তৌগনি। ৱাখল অফবা খনবা মৌনা মহাক লাকপদগী লনগী লাইরেম্বী, য়ূম্বানলোন খঙবী অমা ওইরি। নুপীনা চৎনবী মতুংইন্না মপুরোইবগী ময়ূম্বু অশেংবা য়ূমনি হায়বসি খঙদ্রিবা করিগীনো? ইচা-ইশু, চাদা-নাওদা শন্দোক্তুনা মৌগী পুন্সিদু নুপা য়ূমসিদা লোইগদবদা ৱাখল থেনবনা, মৌ অপংবী কয়ানা ইমুং ৱাথোক ওইহল্লি।

মেঘালয়গী চৎনবীসু নতে। নুপানা নুপীগী য়ূম্নাক শাগৈ ওন্দুনা নুপীগী য়ূমদা লৈ। ঐখোয়গী লমদমসিগী চৎনবী থুগায়বা য়াবা নত্তে। শক্লোন য়াম্বী মৌশিং অপংবা মপান থোক্কনু। য়ূম পানবদা মতম মাঙহনগনু। চেকশিনহৌসি, মতম্না কনাবুসু ঙাইবীদে। নুপীগী গুন কয়ানা লৈতেংদুনা পোক্লকপবু খাঙুথক্তা মাঙহনগুমসি। নুপীনা য়ূম পানবনি। নুপা ময়ূমগী ইমুংগী মীওইশিংবু নুংশিনা তৌরবদা নহাকপুসু মখোয়না নুংশিবীগনি। নুংশিনবদগী করিবু অহেনবা খোঙথাং লৈরিবগে?

য়ূমথোঙ খুদিংগী থোক্লিবা থৌদোক অমগা অমগা খেন্নরি। ৱানা হিংবা খোঙচৎ কায়রবা য়ূম্বান লম্বী উরুরগা নুংঙাইতবনা পীক থল্লি। য়ূম্বাল নুংঙাইবা ইমুং উরুরগা থম্মোয় অসি নুংঙাইজৈ। লম খরা হাইথবা নুপা অমনা ইম্ফালদগী নুপী অমা নমদুনা চেনবীখি। লুহোংবা মতম শাংনা য়ৈথোকখি। অহল লমন্না থা ৯ লৈরগা লুহোংখি। হেক লুহোংবদগী নুপাসিনা য়ু ঙাওরগা নুপী অদু ওৎপা-নৈবা হৌরকখি। নুপী অদু চহী ২২ ৱানা খাংলকখি। অহিং খুদিং য়ু ঙাওরগা ওৎ-নৈবদা খাঙবা ঙমখিদে। নুপীসি নুমিদাং চাক চারগা অনা লায়েংশঙদা ফি ময়োম অমা পুরদুনা অহিং তূম্বা চৎখি।

মখোয়সি ধর্ম্মসলাদা দুকান ফম্লম্মী। মরক মরক্তা মহাত্মা গান্ধীগী মুর্ত্তিগী মরুমদসু অহিং কয়া লেল্লম্মী। 'পানি ৱালা' গী দ্রম অহাঙবা লৈরবদি মনুংদা চঙদুনা নোংঙানবা ঙাইখি। নুপী ওইবী ঐখোয়সি লৈনাদগীসু হেন্না থোৎপীনি হায়না কবিশিংনা শৈথারি। মমল অসুক য়াল্লবা মীংথোল অসিবু মতমসিগী নুপীশিংনা করিসু লৈতনা খল্লি। নুপী অয়াম্বনা নীংশিংদবগুম উরি। লৈশাবী ওইনা লৈরিঙৈ মতমগা, মৌ ওইরকপা মতমগা অনীসি য়াম্না খেন্নরি। মমা, মপাগী মনাক্তা লৈরিঙৈ মতমদা মহৈ-মশীন তমদুনা কেনা-মৌনা, ঈং-তপ্পী অমা ওইরকখিবসু লৈ। অহল লমন্না ঙাঙবা-শকপা তাদবী, মানা তৌনীংবতা তৌবা, খোঞ্জেল, খোম্থোক ফজদবী লৈশাবীসু য়াওদবা নত্তে। হৌজিক্কী মতমসিদা মচানা মমা মপাদা তাকপী-তম্বীরি। মমা মপা, অহলশিংগী মফম লৈখিদ্রে। অঙাংনা য়ূম পাল্লি। হোংলক্লিবা মওংসি অফবা নত্তে। 'নহানা মাইবা শাবদি মং থল্লি' হায়বসি কাউগনু। অহলদগী অঙাংনা খঙবা/শিংবা হেনবা য়ারোই।

মীওইবা ঐখোয়গী খোঙচৎতি তুংদা লাক্কদবা অফ-ফত্ত খঙবা ঙম্বা হায়বসিনি। লৌশিংসিদি ইথক থোংবা 'নুমিৎ-থা উবা হানবা' হায়রিবা ইমুংগী ইমা-ইপা, অহল-লমনশিংদা য়াওরিবনি। অঙাংনা অহল শারবদি ইমুং অদু মপূং ফাবা ওইরোই। অঙাংদি ৱাখল মপূং ফাদ্রিবনি। মহাক্কীসু মতম লাকখিনি। মীওইবনা খ্বাইদগী শোয়রিবসি থকসি-খাসি নাইদবসিনি। ইমুং অমদা লৈমিন্নরিবা ঐখোয় নুংশিননা হিংমিন্নবনা খ্বাইদগী য়াইফবা ওইগনি। ইমুংদা লৈমিন্নরিবা ঐখোয় পূম্নমক ঐনা ঐনা তৌরিবা থবক থৌরম খুদিংমক মপূং ফানা পাঙথোকপা, মতম মাঙহন্দবা, অফবা চাওখৎপা ৱারী শানদুনা ফজরবা য়ূম্বানলোনগী শক্তম অমা উৎলমসি। অফবা ৱাখলনা অফবা ইমুং অমা শেমগৎলসি।

মমল য়াম্লবী নুপী ওইবীশিংগী মরক্তসু মপুরোইবা, লৈমিন্নরিবা মচা-মশুগা পূন্না য়ূম্বানমিন্নরিবা ইমুং কয়াদা ৱাথোক লাম্থোক কয়া থোকখিবশিংগী ৱারীসু লৈরি। মপুরোইবগী গাড়ী ড্রাইভরদা নুপীদু চেনখ্রে হায়বা ৱা-ৱা হেক্তা লাউই। নুপী অদুগা ড্রাইভরদুগা মতম শাংনা লোৎতুনা লৈখি। অমুক হান্নগী মপুরোইবগী ময়ূমদা হল্লক্তুনা হান্নগী য়ূম্বান্দা অমুক য়ূম্বানমিন্নখি, অঙকপা থৌদোক্লি।

অমনা মতৈ মনাও, মচানুপা, নুপী পোক্তুনা য়ূম্বানমিন্নরিবা নুপানা য়ু ঙাওরগা নুপীদুদা নোংমা কাংদনা ওৎপী নৈবীবা কয়াগী ৱারীসু লৈরি। নুপীগীদি মরাল শুংলৈ লৈজদবা, নুপানা য়ু ঙাওরগা থীনা তৌবনা লৈবা ঙমদবা নুপী কয়াসু ৱানা খাংলি। নুপানা থাঙ পায়দুনা নুপীদুদা লংবা, হাৎকনি হায়না কিহনবা অসিনচিংবা কয়ানি। অৱাবা কয়া খাংলবা মতুংদা অতোপ্পা নুপাদা ময়ূম পাম্থোকখিবসু লৈতবা নত্তে। হৌরক্লিবা ইচা-ইমৌনা অহল ঐখোয়গী মওং মতৌ অসি তমহৌগদৌরিবনি। ইমা-ইপা, ইমুংগী অহলশিংনা নুংশিনদবগী মওংসি উরুরগা তুংদা হৌরক্লিবা নহাশিংগী পুন্সি করি ওইরক্কনি হায়বসি ৱাখল খন্থবীবা ফরোইদ্রা?

মীওইবগী পুন্সিসি অৱাবখক্তনি হায়রি। শিরবা মতুংদা অৱাবা কোক্লে হায়নরি। পুন্সি খোঙচৎনা শাংনা উজরকপদা মচিল মনাওগী খ্বাইগী অহল মবুং, মচে ওইবসিনা হেন্না ৱারি। নুংগী ৱাহম্থোক্তি ইমা-ইপানা ৱাখল চান্নদবগী মচা অহলনা অমুক হেন্না ৱারি। নুমিৎ খুদিংগী খৎন-চৈনবা উবদা মচা অহলনা লোন্না থম্মোয়দা কপ্লি। মীগী মমা-মপানা ঈংনা, নুংঙাইনা পানবা উরগা হেন্না নুংঙাইতবা ফাওরি। মমা-মপা অফবা অদু ঐগীদি শরুক থুংবীরমদে। মচা অহলশিংনা মমা মপাগী অৱাবা কয়াগী মরুমদা মচিল মনাওবুসু য়োকপদা অমদি মখোয়বু মী অমমম ওইনবা শেম্বদা অৱাবা কয়াদা শরুক য়ারিবনি। মতমগী মতুংইন্না য়ূম্বানবগী লম্বীদা চঙশিল্লক্লি। নুপী ওইরগনা মপুরোইবনা ওৎ নৈদুনা অৱাবা কয়া পীরি। নুপাগীনা নুপী ফত্তবগী ইমুং অদু লৈখা তানা মাঙহল্লি। য়ূম পাল্লবনিনা ইচা লৈরগা খরা ফগদ্রা খল্লি। অফবা অহোংবা করিসু লৈরক্তে।



পুন্সিগী লানফমদা থৌনা ফনা মায়োক্লরিবী নুপী অমা

ইচানুপা, নুপীশিংসু হায়বা ইল্লক্তবা, চাউরবা মতমদা ঙাঙনবা য়ারক্তবনা অহল ওইরক্লবা মতমদা শিবা ঙাইরিবা কয়ানি। মীওইবা পুন্সিগী অৱাবা অমা, অনীশুবদা ইমা-ইপাগী অৱাবা, অহুমশুবদা য়ূম পাল্লুবগী অৱাবা, মরিশুবদা ইচানা হায়বা ইন্দবগী অৱাবা, মঙাশুবদা ঐনা অহলনি হায়দুনা ইনাওশিংবু নুংশিনা, ৱানা শেমজরকখিবা হায়রিবা অৱাবা পোৎলুম মঙা অসিনা মীওইবা ওইনা অহল ওইরক্লবা মতমসিদা ৱাখল পোত্থাফম খঙদনা হিংবা মীওই কয়াসু মালেমসিদা লৈরি। অৱাবতনা শরুক ওইরবা ইথক থোংবশিংগীদমক ইখা থাবশিংনা নুংশিবীয়ু। করম্বা তাইবঙ মপু নীংজরগা অৱাবা অসি কোক্কদগে মীওই মপোকসিদা। অসুক ৱানা হিংলিবা পুন্সিসিদা তাইবঙ মপুনা ফাওবা থৌজালবীদে।

নুপীনা মচা হুন্দোক্লম্লগা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অসিগুম্বা থৌদোক অসি পাখ্রা ওইহৌরিবা নুপা অদুদি অৱাবা ওইরি। মচাশিং অদুনা চাওরবদি খরা ফৈ। পীক্লা হুন্দোক্লম্বা থোক্লবদি করম্না অঙাংশিং য়োক্কনি। শাংলবা পুন্সি লম্বীগী খ্বাইদগী হেন্না ৱাবসু ওইরি। মতাংসিদা ইকায়বা খঙদ্রবী নুপীশিংগী মরক্তগী অঙাংশিংবু লুনা তৌশিন্নদুনা অঙকপনা পীক থনবা খুন্নাই অমসু ওইরি। অঙাংশিং অসি য়াম্না নুংশি। ঐনা মখোয়বু পুন্সিগী ইচামক্লি খন্না য়োকচগে। অসুম্না নুপীনা অতোম্বী হায়বা মিংথোল ফংখিবসু য়াওরি। লৌরবা মতুংদদি থা ফাদে। ইমুং অদু মচেৎ কয়া থোক্লা থুগাইবীরি।

নুপী অতোম্বীসিনা চিনবান্দা খোইহি তৈরম্বসি অতৈ করিসু ওইরমদ্রে। নুপাদুগী ওফিসর ওইবগী থাগী তোলোপ (শেল খক্তগী) কী ওইরমখি। অতোম্বী ওইরিবা নুপীশিং ঙসি ফাওবদা অফবা মমা অমা ওইবগী শক্তম য়াম্না তাঙলি। মচা হেক পোকপা নৎত্রবদি নুংশিবা ঙমদবা নুপীশিংগী থম্মোয় য়াম্না কনবসু মশীং য়াম্মী। মীওইবসি নুংশিনবনা পূম্নমক অফবা পুরকই হায়বগী ৱাখল খন্থবা ৱাৎপগুম উরি।

মালেমগী ওইনা নুপীগী থৌদাং য়াম্না চাওই। নুপী ফত্তবা অমনা মাগী ইমুংখক নত্তনা শাগৈ পূম্বা চেন্থহল্লি। নুপা ফত্তবনা নুপী কয়া মরূ ফংনা মাঙহনবীরি। ঙসিগী অমদি তুংদা হৌরক্লিবা পূম্নমক্কী খল্লগা নুপাসু, নুপীসু ৱাখল অফবা খন্থমিন্নবা চঙই। মথক্তা ইজরিবা খরা অসি নুপী, নুপা অনীগী ফহঞ্জনীংবা, নুংঙাই য়াইফনা পানবা, চাওখৎপা য়ূম্বান্না তুংদা হৌরক্লিবা অঙাংশিংবু অফবনা মাঙ থাদুনা, অফবা খুন্নাই অমা ওইহনসি, ফত্তবা ৱাখল খন্দুনা ফত্তবা লম্বীদা চৎপা ফত্তে, ঐখোয় পূম্বা মীওইবনি, অফবা হায়বদুখক খল্লগা ইথৌদাং পাঙথোক্লমসি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা ইজবনি। পূম্নমকপু অইবীনা অমুক্কসু হন্না খুরুমজরি। ●

ষ্টেটকী পাউ

# এম এল এ কুঞ্জকেশ্বরনা এস টিগী দিমান্দ ফৈগাক ফৈনা ...

*লামায় ১মগী মখা...* (কেবা) অমসুং আর কে ইমোগী য়ূমদা থোমজিন্দুনা মেমোরেন্দম পীশিন্নবা হোৎনরুবদা এম এল এ এস কুঞ্জকেশ্বরদদি পীশিল্লগা এম এল এ, আর কে ইমোদি মশা লৈরমদবদগী পীশিনখিদ্রে। অদুম ওইনমক দিমান্দ অসি মরম চাই, করিগুম্বা শেলগী মথৌ তারবসু মতেং পাংগনি হায়না সাপম কুঞ্জকেশ্বরনা ফোঙদোরকখ্রে।

এম এল এ অনীগী মনুংদা অহানবা ওইনা এস টি দি সী এম অমসুং মপাং খোঙজংলোয়শিংনা এম এল এ, এস কুঞ্জকেশ্বরগী য়ূমদা থোমজিন্দুনা মশামক্তা হকথেংননা মেমোরেন্দম পীশিনখি। মেমোরেন্দম লৌশিল্লবা মতুংদা এম এল এনা মথক্কী ৱাফমশিং অসি ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা লূপশিংগা খূৎশম্নদুনা চঙশিল্লক্লিবা অমসুং তাল্লিবা দিমান্দশিং অসি মহাক্কী মায়কৈদগী য়াজরে। চীফ মিনিষ্টরদা দিমান্দ অসি ফংনবা কন্না তকশিনগনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

এম এল এনা মখা তানা হায়, লমদমসিদা ফুরুপ কাঙলূপ কয়া পূন্না খুন্দামিন্নবনা অতোপ্পা কাঙলূপশিংসু কায়দনবা হোৎনদুনা ৱাখল তামিন্নরগা দিমান্দ অসি ফংনবা হোৎনসি। দিমান্দ অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরগা ফম্মিন্নদুনা তাঙ্কক কয়াদা ৱারী শানখিবা লৈরে। হৌখিবা কুমজা ১৮৯১দসু দিমান্দ অসিগী মতাংদা মতমদুগী কেবিনেট মীফমনা খন্নখিবসু লৈখ্রবনি। মরম চাদ্রবদি মতমদুদা কেবিনেটনা মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চনবগী মতাংদা খন্নরম্লোই। মরম চাবদগী খন্নরম্লিবনি। দিমান্দ অসিগী মতাংদা লৈখাই তানবা হোৎনবদা মহাক্কী মায়কৈদগীসু অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়রকখি।

ঙসিগী খোঙজং অদুগী অনীশুবা শরুক্তা এম এল এ, আর কে ইমোগী য়ূমদা থোমজিল্লুরবসু মহাক মশা লৈরমদবদগী মেমোরেন্দম পীশিনখিদে। লোয়ননা ঙসিগী খোঙজংগা মরী লৈননা এস টি দি সী এমগী য়ুথ ৱিংগী কনভিনর নামৈরাকপম এদিসননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, এম এল এ/মিনিষ্টর/এম পিশিংগী য়ূমদা থোমজিন্দুনা মখোয়গী অনীংবা অপাম্বা মীয়ামদা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না দিমান্দ অসি মায় পাকপগী লম্বীরোমদা চঙশিনবগী মমি উরে। অদুগা শোয়দনা ফংগনি হায়বগী থাজবসু লৈরে হায়খি।

তৌবতবু খোঙজং অসি মনীং হনবদি তৌরোই, মখা তানা লেপ্তুনা চঙশিনখিগনি। মসিদা নত্তনা অতোপ্পা মখলগী খোঙজং কয়া চঙশিন্নবসু শেম শাদুনা লৈরি হায়খি। মসিদা মীয়াম্না পূন্না দিমান্দ অসি ফংনবা শরুক য়ামিন্নসি। মখা তাবা খোঙজংদি মেমোরেন্দমশিং পীশিনবা লোইরবা মতুংদা চথরক্কনি হায়খি।

লোয়ননা মণিপুরদা খুন্দারিবা ফুরুপ কাঙলূপশিংনা মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চনবগী দিমান্দ তাল্লিবা অসিদা য়ানীংদবগী ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরক্লিবসি হিংমিন্নরিবা ফুরুপ অমা ওইনা নুংঙাইতবা ফাওই। তশেংনা লমদম অসি চীংগী শরুকশিংদি সেদ্যুল এরিয়া ওইদুনা প্রোটেক্সন ফংখ্রে অদুবু পীকখ্রবা তম্পাক্কী লম অসিদি ঙসি ফাওবা প্রোটেক্সন ফংদ্রি। তম্পাক্কী লম অসি মণিপুরদা খুন্দারিবা ফুরুপ কাঙলূপ খুদিংমক্কীনি, মীতৈ/মৈতৈখক্কী নত্তে হায়খি।

দিমান্দ অসিদা ফুরুপ কাঙলূপ খুদিংমক্কীসু শরুক য়াওরিবনি হায়বসি মুন্না ৱাখল খন্থবীয়ু অমদি ৱাখল তাবীদুনা তাল্লিবা দিমান্দ অসিগী মায়োক্তা নেগেটিভ কমেন্ট অমদি অয়েৎ অপন পীবিগনু হায়নসু আপীল তৌখি।

অসুম্না ঙাকলৌ অমত্তা লৈতনা লৈরবদি লমদমসিগী য়েলহৌমী নত্তনা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা লাঙ্গোই চনখিদুনা তশেংবা লমদমসিগী য়েলহৌমীগী খোঙদাফম লৈরক্লোই। খুন্দামিন্নরিবা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অমনা অমবু য়েংথিনদুনা লৈরিঙৈদা অচৌ অচৌবা ফুরুপশিংনা অসুম অসুম চঙশিল্লক্তুনা লমদম অসি মীতোপকী ওইখিদনবগী লম্বী য়াৎহৌসি। অপীকপা পোৎ অমা কিদুনা লৈরিঙৈদা অচৌবা পোৎ অমা কিদবা তৌবীগনু। চঙশিল্লক্লিবা মীতোপশিং অসি অচৌবা কাঙলূপ অমনি হায়বসি কাউদবা ফৈ। মণিপুর অসি মখোয়গী শোয়দনা ওইখিগনি। লোয়ননা করিগুম্বা মীতৈ/মৈতৈনা এস টি লিষ্টতা চলহৌদবা তারবদি মীতোপশিংনা অদুমক খুদুম চনখিদুনা তশেংবা য়েলহৌমী ওইরিবা ঐখোয়গী খোঙদাফম লৈরক্লোই। মসিদা মীতৈ/মৈতৈশিং অমদি চীংগী ইচিল ইনাওশিংনা করিমত্তা তৌবা ঙল্লোই অমসুং থিংবসু ঙল্লোই হায়খি।

ঙসি পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা পনখিবা ৱারোলশিংগী মনুংদা মীতৈ/মৈতৈবু কন্সটিটুন্যসনগী আর্টিকল ৩৪২ (১) গী ঙাকলৌ পীবদা লৈঙাক্লা চাওরবা থৌদাং লৌগদবনি। মে ২৫, ২০১৩দা মতমদুগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবগীদমক রেকমেন্দেসন থারকউ হায়বা ৱাফম খঙহল্লকখিবা লৈখ্রবনি অদুবু হৌজিক ফাওবদা ফুরুপ অসিগী এথনোগ্রাফি অমসুং খ্বাইদগী থেংবা সোসিও-ইকোনোমিক সর্ভেগী রিপোর্টনচিংবা থাদবদগী লিষ্ট অসিদা য়াওদবনি হায়খি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা মখা তানা চথরক্ল গদি মমৈথংদা মীতৈ/মৈতৈ অসি মাইনোরিটি তারকপগা লোয়ননা হৌদোকমিন্নরক্লিবা মণিপুরদা রিফ্যুজি ওইরকপগী ফীভমদা লৈরে হায়বা ৱাফমসু য়াওখি।

পনবা য়াবদি, হৌজিক ফাওবদা এস টি দি সী এমনা মপাং খোঙজংলোয়শিংগা খূৎশম্নদুনা মিনিষ্টরশিংগী মনুংদা ঐচ দিঙ্গো, এল সুসিন্দ্রো, টি ঐচ বসন্তকুমার, ডা. এস রঞ্জন, থোঙাম বিশ্বাজিৎনচিংবা মিনিষ্টরশিংদা হকথেংননা মেমোরেন্দমশিং পীশিনখ্রবনি। অদুগা মিনিষ্টরশিংগী মায়কৈদগীসু পোজিটিভ রেসপোন্সশিং পীনরকপনা দিমান্দ অসি মায় পাকপরোমদা চঙশিল্লক্লিবনি।

# ওপরেসন মায় পাক্লে, অনাবা শিরে...

*লামায় ১মগী মখা...*ঈথৈ লৌখোংগী খুদোংচাবা অমত্তা লৈতবনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগীসু লৌ পরি লিশীং ২ রোমগী মথক্তা ফৌ শাৎলমদবা অহানবা ওইনা থেংনরে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লৌ শাৎতদুনা ফৌ লোক্লরোইদবা লৌমী খরনা ফোঙদোরকপদা অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিং অসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চল্লিবা তাইরেনপোকপী, কাচিখুল, সঙাইথেল, খুম্বোং, মাক্লং, ঙাইরাংবম, কাম্মোং অমসুং সাইরেম খুলনচিংবদা চপ চানা থোক্লে হায়রি।

হায়রিবা মফমশিং অসিগী লৌফমশিংদগী মহৌশাদগী হৌরদুনা লৌ শঙম অমদা য়ামদ্রবদা ফৌবোৎ ২৫ রোম থোক্লম্বনি অদুবু হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদি শেল তিংনা খুলং নেক্তুনা অমসুং মেছিন্নরিশিং শীজিন্নদুনা লৌ খাওরুরবসু শঙম অমদা ফৌবোৎ ৫/৬তগী হেন্না থোকপা ঙল্লরোইদবগী ফীভমদা লৈরে হায়রি। মরম অসিনা লৌ লোক্লবগীদমক থাদবা শেনফমগা লোক্কদবা ফৌগগী মরক্তা য়াম্না চাওনা খেন্নবা লৈরে হায়রি।

খ্বাইদগী লাইবক থীরিবনা লৈবাক অসিগী মণিপুরগী মপান্দা লৈবা ষ্টেটশিং য়াওনা মালেমগী লৈবাক খরদা ফাওবা থাদোকপা হৌরবা চাকহাও পোইরৈতোন থাবা লৌফমশিংসু খরখক শাৎপা হৌরম্লগা মতম চানা ঈশিং চলহৌদবদগী লৈক্রক চৎতুনা চাকহাও পোইরৈতোন লোক্লবগীদমক শাৎপা খরা য়াওরবসু ফৌ মরূ চঙবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরম্লে। হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিগী মতুংদা করিগুম্বা অথেংবদা নোং চুরক্লগসু মদুগী কান্নবা ফংলরোই হায়না লৌমীশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী চাকহাও থাবা মফমশিংদসু মথৌ তারকপা মতমদা ঈশিং লৈতদুনা খৌগংনখিবনা চাকহাও লোকপা ঙম্লরোই হায়রি। অদুবু হৌজিক নুমিৎ খরনিগী মতুংদা অথেংবগী ওইনা নোং চুরক্লগনা লৌবুকশিংদা ইনিল ফংলক্কদবনা হঙ্গাম থাও শুংনবা হঙ্গাম মরূ হুনবগী খুদোংচাবদি লৈরগনি। মরম অসিনা ফৌ শাৎতদুনা লোক্লরোইদবা লৌফমশিংগী লৌমীশিংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অফবা মখলগী মহয় চাগদবা হঙ্গাম মরূ ওইনা পীবিরো হায়বগী ৱাফম ফোঙদোক্লরকপসু য়াওরি।

মসিগা ইরোয়ননা চাকহাও পোইরৈতোন প্রদ্যুসর কম্পেনিগী ওইনদি মখোয়গী লৈজরিবা লৌ পরি লিশীং ২গী মথক্তা হঙ্গাম মরূ ওইনা হুল্লগনি হায়রি। মরম অসিনা হঙ্গাম মরূদসু 'টি এস-৩৮' অমসুং 'এম -২৭' নচিংবা হঙ্গাম মরূ য়াম্না লোক্কদবা মরূশিং থারগনি হায়না ফোঙদোরকপসু য়াওরে। অদুগা মশাগী ঈশিং খরা তুংজবা পুখ্রি অমদি ঈশিং খোংগী খুদোংচাবা লৈবা লৌমীশিংগী ওইনদি গেহু ওইনা থারগে, মসিগীদমক মরূ পীবিয়ু হায়নরকপসু য়াওরে।

মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদগী অহানবগী ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী ফৌ শাৎত্রবা লৌবুক খরগী ফীভম য়েংশিল্লুবগা লোয়ননা লৌউ-শিংউ লোয়শঙগী জোইন্ট দিরেক্টর পি পানমৈগা হকথেংননা উনবদা মহাক্না হায়, মণিপুরগী ওইনা লৌ পানবা য়াবা লৌফম অসি পূন্না হেক্টর লাখ ১৯৫ রোমনি। মসিগী মনুংদা চীংগী লমদা ঝুম কলটিভেসনগী মতেংনা লৌ উবা য়াবনা হেক্টর ৭৮.৮২ রোম ওইগনি। অদুবু চীং অমসুং তমগী লৌফমশিংদা য়ূম-কৈ শাজিন্নরকপা য়াওবদগী খরসু হন্থরম্লগনি হায়রি।

লোয়ননা ঈশিংগী তঙাইফদবা লৈরকপা মতমদা লৌবুকশিংদা চন্নবা ঈশিং লৈহৌদবদগী লৌ শাৎপা ঙমদ্রবা লৌফম পূম্নমক্কী ওইবা দাটা অমা লোয়শঙ অসিগী মায়কৈদগী হৌজিক য়াম্না কন্না খোমজিনবা লাক্লরি।

চৈরকসিদা, অচাথাও পুথোকপদা মতেং পাংনবগীদমক হঙ্গাম মরূ অমসুং নীংথম মহৈ মরোংশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা হৱাইথরাক পুথোক্লবগীদমক লোয়শঙ অসিগী মায়কৈদগী মমাঙ থাদগী হৌরদুনা হায়রিবা মরূশিং অসি লৌমীশিংদা য়েম্থোকপা হৌরে হায়না ফোঙদোরকখি।




HL-B/7878/20/10-19/11

punjab national bank

CIRCLE OFFICE, IMPHAL (899300), IMPHAL-795001, MANIPUR

PREMISES REQUIRED ON LEASE

Punjab National Bank requires, suitable ready built and well constructed hall type office accommodation having Carpet Area of around 900-1035 sq. ft. on lease basis preferably in the Ground / First Floor with good frontage and all facilities including adequate power and water connection at Lilong Nagar Panchayat Area (within market or main road). Premises offered should have all clearance certificates from statutory authorities.

Prospective vendors/ Landlords holding ownership/ leasable rights or power to negotiate on behalf of the owners may collect the technical bid / price bid formats from Punjab National Bank, Circle Office Imphal, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal during office hours from 05/11/2022 to 18/11/2022.

The bidders should submit their technical and price bid offers in two separate sealed envelopes super scribing "Technical / Price Bid for Offer of premises for Punjab National Bank, Lilong Branch" and both the envelopes should be put inside a larger sealed envelope super scribing "Bid for Offer of premises for Punjab National Bank, Lilong Branch" and submit to the above mentioned address latest by 2:00 pm on 18/11/2022.

Technical Bids should be accompanied with photocopies of documents evidencing commercial use of the offered premises, title proof and copy of the sanctioned blue print plan etc. **Bids not containing separate envelope for Price Bids will be summarily rejected.**

The Technical Bids will be opened at 3:00 pm on 18/11/2022 at Circle Office, Imphal in presence of Bank's personnel and the representative of the bidders. No brokers or intermediaries will be entertained. Priority will be accorded to the property lease by the Public Sector Undertakings or Govt./ Semi-Govt bodies. Bank reserves the right to accept or reject the offers without assigning any reasons whatsoever.

SD/-
Chief Manager
Punjab National Bank
Contact No: 8414829417

HL-P/4597/5